# এথলেটিক্স কোচ অমা ওইনা ঐহাক্না য়াম্না পামজরকখিবা অসিদি অশাংবা লমজেলদা ঐখোয়গী এথলেটশিং ওলিম্পিক মেদল লৌহনবসিনি



কোন্থৌজম কোস্না মৈতৈ
*(সাই, এন আই এস কোচ)*
*মাষ্টর ওফ স্পোর্টস*

*(ঙরাংগী মখা)*

মণিপুরদগী চৎখিবা লৈখিদ্রবা এলাংবম মঞ্জিৎ অমদি ঐহাক ইশামক তশেংনা শান্নরোয়দগী হৌজরকখিবনিনা ঐখোয় থৱায়সু য়াম্না য়াওনা হোৎনজখি। ঐদি সাইন্সকী মহৈরোয় অমসু ওইজরকপনা থিওরিগী ক্লাসশিংদসু য়াম্না লায়না চাশিন্নবা ঙমজখি। ইশানা পামজনা চৎচখিবা কোর্সসু ওইখিবনা চাউনা মায় পাকপা ঙম্লকখিবনি খল্লি। টোপ্পর ওইজরকখিবগী খুদোংচাবা অমনা এন আই এস দিপ্লোমা কোর্সতু হেক লোইবগা থবক্কী খুদোংচাবসু অদুম ফংজরকখ্রে। মরু ওইনা ঐহাক্না য়াম্না পামজরকপসিনা কোচিং লাইন্দা লৈজরগা অঙাংশিংবু গ্রাস রুটতগী শেমগৎচগে হায়বসিনি। হেক থোরকপগা অঙাংশিংদা তাকপী তম্বীবা অদুম হৌজরকখি।

ঐহাক্না থা তরাগী এন আই এস দিপ্লোমা কোর্স অদুদা মরু ওইবা সবজেক্ট ওইনা তমজরকখিবসি অশাংবা লমজেলগী মতাংসিগা, থ্রো সিগনি। মণিপুরদা হেক লাকপগা ঐহাক্না চেকশিন্না ট্রেনিং পীজরকখিবা অঙাংসি ফনা য়াম্মী। এথলেটিক্স প্লেয়রশিংদি অয়াম্বা পায়জরকখি। ঐহাক্না য়াম্না কন্না অঙাং পায়জরম্বা তাঙ্ককসি কুমজা ১৯৮৪দগীনা কুমজা ২০০০ ফাওবগী মতমসিনি। অঙাংসি ফনা য়াম্মী, চাওরাক্না ২০০ মুক্তি ওইগনি খল্লি। হৌজিক হৌজিক বোক্সিংদা মমিং লৈরবী ওলিম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদল ফাওবা পুরকখ্রবী এম সি মেরি কোমসু ঐগী ইনাক্তা লাক্লম্মী। মহাক লমজেলগী আইটেম শান্ননিংই হায়দুনা ট্রেনিংসু তৌবা য়াওরম্মী। অদুবু মাগী বোদি ষ্ট্রকচরদুগা হেন্না চানবা গেমসি করি ওইগদগে হায়না খল্লিঙৈসিদা নুপী বোক্সিংগী ইহৌসি লাকখিবনি। তশেংনমকসু মেরিগী মশলসি খরা তোঙান্না উখি। মহাকসি পাঙ্গলসু ফজনা কনবা অঙাং ওইরকখি। অদুনা বোক্সিংদা চানবা হায়বদুসু ওইখ্রে। মঙোন্দা হেন্না থৱায় য়াওবা, হোৎনবা কনবা তোপ তোপ্পা মগুনসু হেক লাকপদা অদুম উবা ফংখি।

অদুগা, অশাংবা লমজেলদা ওলিম্পিক মেদল শোইদনা লৌবা ঙমগনি হায়না থাজখিবা প্লেয়রসু য়াওখি। অদুবু লাইবক থিবনা ওইথোকহনবদি ঙমখিদ্রে। মদু অতৈ কনাসু নত্তে, হৌজিক হৌজিক ইষ্টর্ন রেলৱে কলকত্তাদা থবক তৌদুনা লৈরিবী লাইশ্রম অরুনানি। অরুনাসি ওলিম্পিয়ন ওইয়ু তমখিদবা প্লেয়রনি। কুমজা ২০০০দা তৌখিবা সিদনি ওলিম্পিকসিদা মহাকসু অশাংবা লমজেলদা য়াওবা য়াবগী খুদোংচাবা ফজনা লৈরম্বা এথলেটনি। হেক হৌরকপদগী য়াম্না ফজনসু ট্রেনিং তৌরকখিবনি। অরুনাসি হোৎনবসু য়াম্না কনবা প্লেয়রনি। ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাইদগীনি। সিদনি ওলিম্পিক ২০০০ অসিগী মাংওইননা জাকরটাদা 'এসিয়ন ট্রেক এন্দ ফিল্ড'গী চেম্পিয়নশিপ অমা পাঙথোকখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুগী মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা মহাক সেকেন্দ পোজিসন তারকখি। মিটর ৫,০০০গীসিদসু মহাকসি ফোর্থ পোজিসনদা লাকখি।

মিটর ১০,০০০গী লমজেলসিদা মহাক্না চেনখিবা রেকোর্দসিনা ৩৪:৩১:১৫নি। অদুগা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংগী মার্ক ওইনা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক্স এসোসিএসননা থম্বা মার্কসিনা ৩২নি। হায়রিবা মার্কতু য়ৌদে হায়দুনা মহাকসি আই ও এনা অয়াবা পীখিদবনি। সিদনি ওলিম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা য়াওরমগদবসু খিত্তংদা নাথৈখিবনি। ঐহাক্না শেমখিবা অঙাংদা মমিং লৈখিবা খরদং পল্লবা গোজেন, মঙলেম্বা, খোইরোম রোনিবালা, মধুশিনি ... মখোয় অয়াম্বা মপান্দা হায়বদি সিল্লোংদা, এয়র ফোর্সতা, ৱেষ্টর্ন রেলৱেজদা, ইষ্টর্ন রেলৱেজদা লোইনমক থবক চঙবা ঙম্লখি। অঙাংসি ফনা য়াম্মী ঐনা ট্রেনিং তৌজরম্বসি। অশাংবা লমজেলসিদি ঐখোয়গী বোদি ষ্ট্রকচরসিগসু য়াম্না চানবনি। অহানবা ঐনা এথলেটিক্সকী ট্রেনিং তৌজরকখিবসি খুমন লম্পাক্তা ঙাক্তনি। কোচ অমা ওইনা কন্না

> **রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
> **অকাউ-পরে চল্লুরবশিং**

ট্রেনিং তৌজরিঙৈ মতমদুদা হৌজিক লৈরিবা ৱর্ল্ড ষ্টেন্দার্দকী ওইবা সিন্থেটিক ট্রেক্কসি লৈবা নত্তে। মসিদি মণিপুরনা হোষ্ট ওইরগা পাঙথোকখিবা 'ফিফ নেসনল গেমস, ১৯৯১'গা মরী লৈননা লাকখিবা ঙাক্তনি।

এথলেটিক্সকী অঙাংশিং ট্রেনিং পীবা অদুদা হেন্না মপুং ফানা তাকপী তম্বীবা ঙম্ননবা হায়দুনা ঐহাক কুমজা ১৯৯৯দগীনা কুমজা ১৯৯৩ ফাওবা মাষ্টর ওফ স্পোর্টস অমুক মখা তানা তৌজরকখি। মণিপুরদা ঐগী মমাংদা মাষ্টর ওফ স্পোর্টস তৌখিবসি সাইগী দিরেক্টর ওইবীরম্বা ওজা তিকেন, তামো ধনবীর মখোয়সিনি। সর তিকেন হোয়না তৌবা মতমসিদদি মাষ্টর ওফ স্পোর্টসি এন আই এস খক্তনা শিল্লম্মী। ঐখোয়গী বেজ সিদদি পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিনা এগজাম লৌরগা পাঙথোকখি। অদুনা দিগ্রি পীবা মতমদা য়ুনিভর্সিটিগী দিগ্রি ওইনা পীবিরকখি।

অমরোমদা, মণিপুরদসু স্পোর্টসসি মথং মথং দিভলপ তৌরক্তুনা খুমন লম্পাক্কী মথংদা টাকয়েল সাই রিজনেল ট্রেনিং সেন্টরসিসু লাকখি। ঐনা খঙবদা ঐহাক্না শেমজখিবা অঙাং ২০০/৩০০ মুক্তী নেসনল লেভেলদা ফজনা পর্ফোমেন্স পীবা ঙমখি। অদুগা ঐহাক্না মাষ্টর ওফ স্পোর্টস তৌজরকপা মতমদনা এথলেটিক্সকী স্পেসিয়েলাইজেসনসি থ্রোদনি। এরিয়া ওফ ইন্টরেষ্টসিনা অশাংবা লমজেলদা ওইরগা লিটরেচর, রিছর্স ৱর্কতি থ্রোসিদা তৌজরকখি। ঐনা য়াম্না ইন্টরেষ্ট লৈজরকপসিনা মিদ্দল দিষ্টেন্সতনি। অদুনা ঐহাক্না ইন্দিয়াগী নেসনল কোচিং কেম্পতা ইতৎ তত্তনা পায়জরকপসি মিদ্দল দিষ্টেন্স ঙাক্তনি।

*... মথং মথং ...*



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০১

১) মখাদা পীরিবশিং অসি উখ্রুলগী অফাওবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংনি। মখোয়গী মনুংদা তোঙানবা শান্নরোয় অমা য়াওরি, মহাকসু উখ্রুলদগীনি। মহাক কনানো?
য়াঙমাশো সৈজা (চীফ মিনিষ্টর), সঙাম, অলেঙ শিমরে, ফারেঙ, রোমিও অমসুং বোরে।

২) অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াদা নেসনল কেনো স্প্রিন্ট চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখি। করম্বা ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্স (Water Sports Complex)তা থৌরম অদু পাঙথোকখি।

৩) তরুকশুবা সার চুরাচান্দ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকখিবদা অশিল-অৱাং তৌখিবা লুপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) অমেরিকা মচা অমগা রসিয়া মচা অমগা লোঙজম্পদা ফুট ২৭ হেন্না চোংবা ঙম্মী, মখোয় অনীবু ফুট ২৬কা খরা খক হেন্না চোংখিবা নুপা অমনা ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবদুনা মায়থীবা পীখি। সনাগী মেদল লৌখিবা অদুগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চহী ১৬ মখাগী ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমনা মলেসিয়া টুরগীদমক শেম শাখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপাগী ফুটবোল টিমনা মলেসিয়াগা ফ্রেন্দলি মেচ ৪ শান্ননবগীদমক টুর অমা চৎখিবা অদু ঙসি মলেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুর থুংখ্রে।

সুভেন্দু পন্দানা লমজিং লমতাক্লিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা মলেসিয়াগা পুন্না মেচ ৪ শান্নগদৌরি।

অহানবা মেচ অদু থা অসিগী ২৯দা মলেসিয়াগী এ এম দি টিমগী অন্দর ১৭গী টিমগা শান্নগদৌরিবনি। লোয়ননা টিম অসিগা মখা তাবা মেচ ৩ অদুনা ওগষ্ট ৩১, সেপ্টেম্বর ২ অমসুং সেপ্টেম্বর ৫দা শান্নরগনি।

টিম কোচ সুবেন্দু পন্দানা ফোঙদোকখিবদা টুর অসি মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা চাংয়েং অমনি। মরমদি



চহী ১৬ মখাগী ইন্দিয়াগী নুপাগী নেসনল ফুটবোল টিম অসিনা সাউথ ইষ্ট এসিয়া লৈবাক্কী টিম অমগা মমাঙদা শান্নবা লৈখিদ্রি।

মলেসিয়াগী টুর অসিগীদমক্তা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মপুং ফানা শেম শাদুনা লাক্লি। লোয়ননা ট্রেনিং অমসুং কোচিং কেম্প অদুনা শান্নরোয়শিং অদুদা অহেনবা টেক্নিক অমসুং থৌনা হাপ্পুনা মলেসিয়া টুর অসিগীদমক য়াম্না খৌরাংনা মখোয়গী হৈথোই শীংথোইবা অদু উৎননবা ঙাইদুনা লাকখিবনি হায়রি।

চহী ১৯ মখাগী টিমনা ও এফ সি দিভলপমেন্ট টুর্নামেন্টতা মকোক ওইরকপা অমসুং চহী ১৫ মখাগী টিমনা সাফ চেম্পিয়নশিপ্তা ফজরিবা অসিগুম্না চহী ১৬ মখাগী টিমনসু মলেসিয়া টুরদা ফগনি হায়রি।

# পুৱারিগী অনৌবা লমায় ইখিবী পি ভি সিন্ধুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা উনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন পুৱারিদা অনৌবা লমায় অমা হাংদোক্তুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী পি ভি সিন্ধুবু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনদুনা ঙসি থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

সিন্ধুবু মোদিনা লৈবাক অসিগী অচৌবা লন অমনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তুংদা মহাক্না শান্নরক্কদবা টুর্নামেন্টশিংদা অফবা রিজল্ট পুরক্কবসু হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, পি ভি সিন্ধুনা কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০১৮দসু বেদমিন্টন ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল য়ৌরবা মতুং সিলভর মেদল ফংদুনা লাকখিবনি। অদুগা নোংমাইজিং নুমিৎতা স্বিজর্লেন্দগী সিটি বাসেলদা শান্নখিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী শান্নরোয় মহাক্কী মতম কুইনদগী লম্বা ওইদুনা লাক্লবী নোজোমি ওকুহরাবু শুপ্পগী মিনট ৩৮দা য়াম্না হেন্না খুদুম চনবা মওংদা ষ্ট্রেট গেম ২দা ২১-৭, ২১-৭দা মায়থীবা পীদুনা অনৌবা



ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ফাইনেল মেচ অদু হেক লোইবগা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টদা ফোঙদোরকপা থাগৎ ৱাহৈদা টেলেন্ট য়াম্না লৈরবী সিন্ধুনা ইন্দিয়াবু অমুক্কা হন্না মায় পাকহল্লে হায়খ্রবনি। মহাক্না মখা তাখিবদা পি ভি সিন্ধুগী মায়কৈদগী বেদমিন্টন মশান্না অসিদা থৱায় য়াওবা অমসুং হোৎনবা লেপ্তবগী পাঙ্গল অদুনা তুংদা লাক্কদবা নহা কয়াগী ফিদম্নফম ওইবা শক্তম অমা পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

পি ভি সিন্ধুনা মায় পাক্লকপা অদুদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়ানসু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রবনি। মহাক ঙরাং নুমিদাং কোচ গোপিচান্দগা ইন্দিয়া য়ৌরকখি।

# ইন্দিয়াগী সুমিত নগালনা রোজর ফেদররদগী সেট অমা মুনবা ঙমখ্রবসু মায়থীহৌরে, প্রজনিসসু অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী মেদবেদেবনা থোইখ্রে

ন্যু য়োক, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী)ঃ
ঙরাং অথেংবদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা টেন্নিস শান্নরোয় সুমিত নগালনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল কয়া ফংবা ঙমখ্রবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদররদগী সেট অমা মুনবা ঙমখ্রবসু মায় পাকপা ঙমখিদ্রে। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় প্রজনিস গুনেশ্বরনসু য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী দনিল মেদবেদেবকী মখুৎতা লৈহৌরে।

নুপাগী গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টাইটল ২০লক লৌবা ঙমখ্রবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদররনা ইন্দিয়াগী চহী ২২দা ঙাইরিবা শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বালিফাইয়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা সুমিত নগালনা ১৩৯লক শুবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা



লম্বা তৌনখি।

সুমিত নগালগী ওইনদি মেচ অদুদা লৈরকপা রিজল্ট অদুনা মঙোন্দা অকায়বা অমত্তা পীনিংঙাই লৈখিদে। মহাক্কী এক্সপিরিয়েন্স অমসুং ফেদররগী রেকোর্দশিং অদুগা য়েংনবদা য়াম্না চাওনা খেন্নবা লৈরিবনি।

অদুবু ৱর্ল্ড নম্বর ১৯০দা লৈরিবা সুমিত নগালনা ৱর্ল্ড নম্বর ৩ রোজর ফেদররগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ অদুগী অহানবা সেটতা ফেদররগী সার্ভিস গেম অমা সুমিত নগালগা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইখি। অদুবু সিজন তৌরবা শান্নরোয় অদুনা মখা তাবা সেট ৩ অদু ৬-১, ৬-২, ৬-৪দা থোইদুনা মহাক্কী করিয়রগী ১৯লক শুবা য়ু এস ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মেচ অদু পুং ২.৩০ হেন্না চঙনা লম্বা তৌনবা লোইরবা মতুং মায় পাকখ্রবা রোজর ফেদররনা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় সুমিত নগালবু তুংদা লাক্কদবা কেরিয়রবু য়াম্না মায়োন চুম্মি হায়না ফোঙদোকখি।

সুমিত নগাল মহাক্কী করিয়রদা ৱিম্বলদগী জুনিয়র বোইজগী টাইটল অদু কুমজা ২০১৫তা লৌবা ঙমখিবা অদুনা খ্বাইদগী চাওবা মায় পাকপা ওইখি। লোয়ননা থংনবা চহীদা মহাক ইন্দিয়াগী দেবিস কপ টিমগীদমক খনবদা য়াওখি। হৌজিক হৌজিক সুমিত নগাল সর্ভিয়াগী কোচ মিলোস কালিসিক্কী মখাদা ট্রেনিং চত্থরকপদগী অফবা রিজল্ট কয়া লাকপা ঙম্লি।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দ মেচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী নম্বর ১ শান্নরোয় প্রজনিস গুনেশ্বরননা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা হন্দক্তা এ টি পি টাইটল অমা লৌবা ঙমখ্রবা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবকা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেটতা লেং খরা ইন্নবা ঙম্লবসু ৪-৬তা মায়থীখ্রবা মতুং মখা তারকপদা সেট ২ য়াম্না শোত্থনা ১-৬, ২-৬তা মায়থীহৌখি।

য়ু এস ওপন টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর ১ সু ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী শান্নরোয় রোবার্টো কারবালেস বয়ানাবু ৬-৪, ৬-১, ৬-৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী জোন ইগনেসিও লোন্দেরোগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১ মতম কুইনা ওইরম্লবা অদুগা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২৩লক ফংবা ঙমখ্রবী য়ু এস সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা রসিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় মারিয়া সরাপোভাবু ঙরাং শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ইৱা ৱাদনা ৬-১, ৬-১দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা অনীশুবা রাউন্দদা স্বিজর্লেন্দগী তিমিয়া বাক্সিন্সিবু ৬-৪, ৬-১দা থোইরম্বী য়ু এস কী ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রান্ট কেটেরিন মেগনিলিগা লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়ানা স্রি লঙ্কাবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সাফ য়ু-১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চঙখ্রে

কলিয়ানি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়ানা য়ুম্থু ওইদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিটিদা পাঙথোক্লিবা সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন কপ অদুগী ঙসি শান্নখিবা লিগ রাউন্দ মেচ অমদা স্রি লঙ্কাবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী জংগ্রানা হেদত্রিক ফংখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মথক্তা মণিপুরগী হৌখিবা শান্নরোয় মহেসননা পাঞ্জল ১ অদুগা পোলনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা পুন্না পাঞ্জল ৫-০দা স্রি লঙ্কাবু থোইদুনা টিম ৫না শান্নবা টুর্নামেন্ট অসিগী রাউন্দ ৩ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৯ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখিদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙরাং ফাওবা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়া মেচ ২/২ শান্নখিবদা পোইন্ট ৬/৬ ফংদুনা লৈমিন্নরমখিবদগী ঙসি ইন্দিয়না স্রি লানকাবু ৫-০দা থোইদুনা পোইন্ট ৯ য়ৌরবা মতুং বংলাদেশকী টিম য়াম্না থাজবা মওংদা নেপালগী মখুৎতা ১-৪দা মায়থীবা নংদুনা



ফাইনেল য়ৌনবগীদমক মখোয়না থাগী ২৯দা ইন্দিয়াগা শান্নগদবা মেচতা মায় পাক্তবা য়াদে। অদুগা নেপালনা ভুতানবু নুমিৎ অদুমক্তদা শান্নগদবা অরোইবা লিগ মেচ অদু পাঞ্জল ৬ হেন্নো চল্লগা মায় পাক্তবা য়াদ্রি।

করিগুম্বা নেপাল মায়থীরবা অদুগা বংলাদেশসু মায়থীরবসু গোল দিফেরেন্সতা নেপালদগী বংলাদেশনা হেন্দুনা লৈবা মরম্না মখোয় ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল লৈগদৌরি। অমরোমদা টিম অনীমক্না মখোয় মখোয়গী মেচশিং দ্রো চৎলবসু গোল দিফরেন্সতা বংলাদেশনা ফাইনেল চঙগনি।

নেপালনা ভুতান থোইরবা অদুগা বংলাদেশকী টিম ইন্দিয়াগী টিমগা শান্নবদা মায়থীবা নত্রগা দ্রো চৎলবদি নেপাল ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী জংগ্রানা অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ (৩২, ৪২)দা চনখি। অদুগা টিম অদুদা য়াওরিবা মহেসননা ৩২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনখি। অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমদা পাঞ্জল ১ চল্লবা মতুং অনীশুবা হাফকী ৬০ শুবা মিনটতা জংগ্রানা মহাক্কী হেদত্রিককী পাঞ্জল অদু চনখি। নেপালগী মায়কৈদগী যাদবনা পাঞ্জল ২ লোয়ননা জিমি অমসুং লমসালনা পাঞ্জল অমমম অদুগা বংলাদেশকী রহমননা পাঞ্জল অমখক চনখি।

# উজবেকিস্তানগা ফ্রেন্দলি মেচ অনী শান্নরুনবা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম টাস্কেন্ট সিটিগীদমক ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী নুপীগী সেনিয়র ফুটবোল টিমনা উজবেকিস্তানগা ফ্রেন্দলি মেচ অনী শান্ননবগীদমক ঙসি ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রে।

ফিফাগী নুপীগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা উজবেকিস্তানগী টিম অসি ৪৪ শুবা থাক্তা লৈরিবনি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ৫৭ শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ফ্রেন্দলি মেচ অনী শান্নগদৌরিবা অসিগীদমক ইন্দিয়াগী নুপীগী সেনিয়র ফুটবোল টিম অসিনা ন্যু দিল্লিদা থা অসিগী ২০দগী কেম্প তৌদুনা লাকখিবনি। ইন্দিয়াগী হেক কোচ ওইরিবা মেমোল রোকিনা ফোঙদোকখিবদা টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোয় খুদিংমক অতেনবা মতমগী গেপ খরা লৈরুরবা মতুং ট্রেনিং কেম্প অদুদা মশা য়াম্না খিংনা মশাদা থাজবগী চাং ৱাংবগা লোয়ননা মায় পাক্কা কেম্প অদু লোইশিনখি।



উজবেকিস্তানগা অকনবা লম্বা পীননবা শান্নরোয় পুম্নমক মতিক চানা শেম শাদুনা লৈখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া অমসুং উজবেকিস্তানগী নুপীগী ফুটবোল টিম অনীনা ইকোক কোন্না লম্বা তৌনখিবা মেচ অদু চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদা টর্কিস ৱুমেন্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা থেংনখিবা অদুনি। হায়রিবা মেচ অদুদা উজবেকিস্তাননা ইন্দিয়াবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং পাঞ্জল ১-০দা ৱানা থোইখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিনা চহী অসিদা ইন্দোনেসিয়া, হোংকোং, নেপাল, টর্কি অমসুং স্পেনদা ফ্রেন্দলি মেচ শান্নখিবশিং অদুনা মরম ওইরগা ফিফাগী রেঙ্কিংদা হায়গৎলকখিবনি।